ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯃꯦ ꯲꯶, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯶꯰ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, মে ২৬, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ৬০শুবা মশীং

# চীফ মিনিষ্টরগী মথক্তা কমপ্লেন্ট

## ‘তৌজ-শাজবা’ তাদৌ মানখ্রেদা

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মথক্তা করপসন এক্টকী মখাদা লৌখৎফম থোকপা লিগেল এক্সনশিং লৌখৎলু হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী) না দিমান্দ তৌখ্রে। চুম্নগী দিমান্দ নত্তে, কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উন্নবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা পার্টিসিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা লাউথোকখিবনি। ওফিসল ওইবা ৱাফমনি। মণিপুরগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) দা খুদোম্বী থিল্লগা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংনি। অদুগা করিগুম্বা দি জি পিনা চীফ মিনিষ্টরগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা লিগেল এক্সনশিং লৌখৎলক্ত্রগনা লৈবাকসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ ওইরিবা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাওবা ৱাকৎকনি হায়দুনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। কোংগ্রেসনা ৱাফমসিদা পূক্লিং চংশিল্লক্লিবনা জেনিমসতা পাঙথোকখিবা ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিট (আই সী য়ু) গী ফমুং ১০ লৈগদবা কা অমা হাংদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টর অমগী মমিং পন্দুনা মঙোন্দা ওনশিল্লগা চীফ মিনিষ্টরনা ‘ভোটতা লুপা ক্রোর কয়া চঙখিবগে’ হায়না হংখি হায়বগী ৱাহৌদনি। চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি মহাক্কী মিনিষ্টর অমদা হংখিবনা হন্দক পাঙথোকখিবা ইলেক্সনদুদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না য়াল্লবদা লুপা অসুক্তগী হেন্না চাদিং তৌবা য়াদে হায়বগী লাক্লগা থল্লিবা পাদম অদু থুদেক্লগা মদুদগী হেন্না এক্সপেন্দিচর তৌখ্রে। ঈ সী আইগী গাইদলাইন থৌওইদ্রে, ঙাক্না চৎত্রে অমসুং মীখলদা অয়াম্বা/অহেনবা শেনফম থাদরগা অরানবা পান্থে শীজিন্নদুনা ভোট কাখ্রে হায়বনি। মসিগীদমক চীফ মিনিষ্টরগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা লোগী থবকশিং লৌখৎলু হায়বনি।

পাঙথোকখ্রিবা কোংগ্রেস পার্টিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগী পাউগী মীফমদুনা দি জি পি, মণিপুরদা থিনখিবা খুদোম্বীদুগী মতুংইন্না লৌখৎফম থোকপা লিগেল এক্সনশিং লৌখৎলক্ত্রে হায়দুনা এম পি সী সীগী লিগেল দিপার্টমেন্টকী চ্যেরমেনগী মায়কৈদগীনা মে ২৩, ২০২২দা দি জি পি, মণিপুরদা অইবা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমা ওফিসল ওইনা ফাইল তৌখিবনি। রিপোর্ট অদুম্মক পুলিস হেদ ক্বার্টরদা লৈরিবা দি জি পিগী ওফিসনা ওফিসল ওইনা রিসিভ তৌখি। কোংগ্রেসনা পাউমীশিংগী খূত্থাংদা পাউগী মীফমদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদুগা অইবা ওইনা ইরগা ওফিসল ওইনা পীশিনখিবা চেরোলদুগা মরমদি চপ মান্নে। অদুবু মতাং শ্বাইদা চোঙথোরক্লিবা ৱাহংদি মণিপুরগী দি জি পিনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মথক্তা ‘ফর্ষ্ট ইনফোর্মেসন রিপোর্ট’ (এফ আই আর) কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলক্কদ্রা হায়বসিনি। ৱাহংসিগী পাউখুম কনানা পীগনি? লিগেল এক্সন লৌখৎলু হায়খিবা কোংগ্রেসনা পীগদ্রা, লৌখৎফম থোকই হায়রিবা দি জি পিনা পীগদ্রা নৎত্রগা লৈবাক মীয়াম্না পীগদ্রা? অমা নৎত্রগা অমনা পীরকপা পাউখুমদি মীয়াম্না ঙাইনরি। কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্নদি রেগ্যুলর কেস অমা চীফ মিনিষ্টরগী মথক্তা লৌখৎফম থোক্তে হায়রগনা নাখৈ শেংনা থোক্তে হায়রো, লৈবাক মীয়ামদা খঙহল্লো। হায়বদি প্রেস কনফরেন্সতা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুনা ‘ৱাগী ৱাবু’ হায়দুনা লৌবা তারগসু অইবা রিপোর্ট অমা পীশিল্লক্লবা অদুগা মদুসু ওফিসল ওইনা রিসিভ তৌরগদি মরোল অমদি লোনফম থোকই। কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না রিপোর্ট অদুবু ‘ওফিসল ইজাহার’ (ও ঈ) ওইনা লৌরগা রেগ্যুলর এফ আই আর অমা লৌখৎপা য়াবা ওইরগনা  কমপ্লেনেন্ট ওইরিবা কোংগ্রেসকী লিগেল দিপার্টমেন্টকী চ্যেরমেন অদু এগজামিন তৌফম থোক্তবরা? মহাক্না পীরকপা ষ্টেটমেন্টতুগা মহাক্না ফাইল তৌরকপা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অদুগা কোরোবোরেট তৌরব্রা নৎত্রগা তৌদব্রা হায়বদুসু য়েংফম থোক্তব্রা? তৌরগদি রিফ্লেক্ট তৌগদবা, তৌফম থোকপা এক্টশিংগী সেক্সনশিংগী মখাদা রেগ্যেলর কেস অমা লৌখৎকদবনি। হায়রিবশিং অসিনা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না তৌফম থোকপা থবকশিংগী ৱানি। অদুবু তৌফম থোকপশিং তৌরক্তবনা রিপোর্ট অদুনা ও ঈ ওইবা য়াদবদগী ওইগদৌরিব্রা? অদুগা ‘প্রাইমা ফেসি’ লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়বদুনা পুলিসনা লেপথোক্কদ্রা নৎত্রগা এফ আই আর কেস লৌখৎপগা খঙহনগদবা কন্সর্ন কোর্টনা লেপকদ্রা? মস্বাইদা ক্লিয়র ওইবা চঙই। কোংগ্রেসকীদি পুলিসনা লৌখৎলক্ত্রসু লোগী এপ্রোপ্রিএট ফোরম অমদা চৎখিবদা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অদুনা খূৎলায় ওইখিনি। অদুবু কেসকী মতাংদদি ‘তৌজ-শাজবা’ তাগদ্রা হায়বনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪২

১) কালিদাসকী **‘‘রঘুবংশ মহাকাব্য’’** হায়বসি মীতৈ শৈরেংদা কনানা হন্দোকপগে?

২) **‘‘সেঙ্গোই সনা’’** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) পণ্ডিত নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্রগী পুন্সি অমসুং মহাক্না লীবিরম্বা ৱারীশিংদা য়ূম্ফম ওইদুনা ইবা লাইরিক্তুগী মমিং করিনো অমসুং কনানা খোমজিনবনো?

৪) **“নুংঙাইফম খঙদে-/নঙগী ৱাখলদা মঙ মঙবদা।/নুংঙাইফম ফংখিদে -/নঙগী মিংদা ডিপোজিৎ হাংঙুবদসু।’’** শৈরেং মতেক অসি মপাল লমগী মচিন তুমখৎলক্লিবী অইবী অমগী শৈরেংদগীনি। অইবীসি কনানো? মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৫) **‘‘হে পারী! নপন্ ঐগী ইহকচাংসে খাম্ পি মৈদা ঈকলো। মালেম্ লৈরোল, মাপন্ না ‘কূ’ বু শাও। কোরৌ নোংলোল্ মাপন্ না ‘থক্ খল্’ শেমলো। থক্ খল্ মখোঙদি ‘থংচিং, মারজিং, ৱাংব্রেন, কৌব্রু’ মরি অসিনা ওইও।…’’** ৱাহৈ পরেং খরা অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৭৯

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

মমাঙগী চয়োলদা লৈখিদ্রবা শক্লাইরবা শৈশকপা নবা চাকথেকপীগী মরমদা ঐগা থেংনজ হৌবগী নীংশিংবা থৌদোক খরা মীয়ামদা পাউদমজখ্রে। মতিক ময়াই চেনবা মীশক অমগী পাউদম্বা হায়বসি চিংথবনা হেল্লবনি। চাওখ্রবা চেপ্টর অমনি, লোইবা খম্বা নাইররোইদবনি। মতম চূপ্পদা নোকচবতা পামজবা মীশক অমা ওইনা তিন্নখি। মানদি ইচম চম্না মশাগী হৈনবা অমা ওইনা নোকচবা, অদুগা কনাগুম্বা অমনদি করেম্নবনি হায়না চৈবীবা, শাওবীবা য়াওরিবনি। মহাক্কী খুনোকসি য়াম্না পেন্না হেক্তা নোকপনি। লোন্না থুপ্না, থিক-থিক নোকপা নত্তে। ফাক-ফাক লাউনা হা হা হা হায়না হেক্তা হৌখৈ নোকপনি। মঙোন্দা নোকপগী মতাংদদি অরোনবা লৈতে। খিৎতা তপ্না নোকউ হায়রগা তিংখৎতনা বেঙ্গুনমুক হৌনা নোকই হায়দুনি। মসি মাগী হৈনবীনি।

নবসি অয়াম্বনা খুম্বোং নবা হায়রগসু খঙনৈ। মসিগী মরমদি খুম্বোংদা মখোয়গী ইমুং মনুং হুপ্না মতম খরা লৈরম্মী। হিংবগী লানফমদা লাম্থেংনখিবা অমা ওইনা নবগী ইমা-পাবুংনা খুম্বোং থোং হেক লাম্থোকপগা লৈরিবা কৈথেলদুদা হোটেল মচা অমা ফমদুনা শেন্দান লম্বী ওইরকখি। মদুদা নবসু অয়াম্বা মতমদা হোটেলদা লৈরকখি। মানা ঈশৈ শক্তুনা মীয়ামদা শক তাক্লকখিবসু খুম্বোংদা লৈরিঙৈদনি। খুন খুনগী শৈফম মচা মচাদা ঈশৈ শক্লকপনি। অদুনা মহাকসি খুম্বোং নবা হায়রগা খঙনরিবনি। মহাক্কী খোঞ্জেলসি খরা পিক্তক তৌনা নুপীগী টাইপ অমা চঙই। অদুগা নুপাগী খোঞ্জেলদসু অদুম শকই। লীলা য়াওরবা মতমদদি মহাক্কী খোঞ্জেলসি মানসু খরা শেমজিন শাজিন্দুনা নুপীগী খোঞ্জেলদা শকপনি। নোংমা মমিং লৈরবী শৈশকপী ইচে অরাম্বম জমুনানা নবনা শকপা ঈশৈ - *‘‘লমদম তাম্না লৈখ্রবা মাগী, নুংশি মপাউ তাখিদবা কুইরে, নুংশি চেংলৌসু উখিদবা কুইরে’’* হায়বা ঈশৈ অদু পাওনা বজারদা দুকান হাংদুনা লৈবা তামো বিনোদকী দুকান্দা তামিন্নখি। শক্লিবদু নবনি, নুপানি হায়বদা ইচেনা ইঙক ঙক্না সিদি য়াম্না ফজৈ হায়দুনা হন্না হন্না তাখি।

নবসি ক্না জর্দাসিমা খরা চাই। অতৈ মখলগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক অমত্তা শীজিন্নদে। নৌরিঙৈদদি খরা শীজিন্নরম্মী। অদুবু মহাক ক্না নত্তনা অতৈ অমত্তা শীজিন্নখিদে। মরমদি মহাক য়াম্না কন্না নাবা অমা য়াওখি। মদুই মতুংদগীদি করিগুম্বী অমত্তা শীজিন্নখিদে। ঐখোয়গী নহারোল খোঙথাং আর্টিষ্ট এসোসিএসনদা য়াওখিবা আর্টিষ্টশিংগী মশা মশাগী হৈনজবী চিঞ্জাক অদুম লৈজখিবা আর্টিষ্ট য়াম্না য়াওখি। অদুবু পার্টি ওইনা লাকপা মতমদা হায়বদি লীলা চৎপা, লীলা মফমদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবা য়াদে। মতাংসিদা ৱারী মখা চথজবা নুংঙাইনবা ৱাফম অমত্তা নপশিনজহৌগে। লীলা পার্টিনা লীলা মফমদা হেক য়ৌবগা ইতৎ তত্তনা হংনরম্বা ৱাহৈশিংসি অতৈ নত্তে। লিক্লি কয়ানা য়াগদগে হায়বা অসিনি। থৌওইনা লৈশাবীশিংনা কৌবা লীলাদদি ঙল্লিঙৈদা মী নেক্লগা য়ু লিক্লি অমগা লৌহল্লগা হান্না থম্নবা য়াওই। সিদগী হেনবা য়ারোই লীলা নুংঙাইরোই গাইনা হায়রিপোৎনি। মসি ঐ ইশামক্তি য়াম্না নুংঙাইতবা অমা ওইখি। আর্টিষ্টশিং অসি অদুগুম্বা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা য়াম্না খোইজংবা ঙাক্তা ওইনা উব্রা হায়না। অমরোমদা ঐগী ওইনদি খুন্নাইগী অফবা পাউজেল পুরিবা আর্টিষ্টশিংনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নরগা অফবা পাউজেল পীবদু কনানা লৌবীগনি। য়ু থক্লিবা মীদুনা য়ু থকপা ফত্তে, থক্তনু হায়বদা মীনা করি হায়না পাউখুম পীরক্কনি হায়বসি খন্থরগা অপেনবা ওইদে। অদুনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবসি ঐখোয়গী পার্টিগী ওইনদি য়াদে। অদুনা লীলা চেবাউ লৌবা মতমদগী হৌনা অদুগুম্বা অমত্তা শিনবী লাংবীগনু, অদুগা লৈকায়গী নহাশিংনা অদুগুম্বা দিমান্দ তৌবা লৈরবসু ঐখোয়দা হংবীরম্মু, ঐখোয়দি মদু য়াদে হায়না হেক হেক হায়জৈ। ঐখোয়গী মরক্তগী অপাম্বসু অদুম য়াওবনিনা লোন্না লোন্না দিমান্দ তৌরম্বসু লৈতবা নত্তে। অদুনা লোন্না মপানলোমদগী থিংলিবা ঐঙোন্দা মীশক ওন্ননা পীশিল্লকপগা য়াওরিপোৎনি। পার্টিগী চৎন-কাঙলোনবুদি ঙাকচনীংবা অদুগা মশাগী অপাম্বসু ফংনীংবা আর্টিষ্ট য়াওরকপসিনা লোন্না লীলা মফমদগী হাইদোক্লগা তূমিন্না থক চারম্বা য়াওই। মদু খঙলবদি ঐখোয়না ফাইন লৌই। ফাইনদুসু থিনীংদবা খঙহন্দনা শীজিন্নবা য়াওরে হায়বসি ইফোং ফোংনা খঙনবদগী মদু লোন্না ফানবা অচম্বা থৌরাং খরা ঐখোয়না লৌখৎখি। মদুগী থিজিনবা ওইনা নবসি পার্টিনা হাপ্পী। য়াম্না নোক্লিংবা ফমগী মিংথোলনি। মহাকসি এক্সাইজ ইন্সপেক্টর হায়বা ফম অসি হাপ্লে। মানা অদুগুম্বা খরা তৌগনবা মীশিং অসিগী মতুং লোন্না ইন্নগনি। অদুগা ভেন্দরদা লোন্না থক্লম্বা মীশিংদু মহাক্না উখ্রে হায়বা খঙনবা ‘কৈদৌরিনো’ হায়না হংজিনগনি। মদুদা খংপ্রেক খংনবা য়াওরিবনি। অদুগা হোরেন মানা চে মচেৎ অমদা মীশিং অদুগী মমিং পীশিল্লক্কনি। মীশিং অদু ফাইন লোইনা কক্কনি। অদুনা নবদা শাউবা আর্টিষ্ট ময়াম অমসু লৈখি। মরমদি মানা তাকথোকপদগী ফাইন কক্লিবনি হায়না। মসিগী মরু ওইবদি, ঐখোয় আর্টিষ্টশিং অসিনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নদনবা হোৎনবা অমদি মীয়াম্নসু আর্টিষ্টশিংবু থাক অমদা থম্নবা হোৎনবগী খোঙথাং অমনি হায়না লৌজৈ। মসি তশেংনা মায় পাকখি। ঐখোয়গী আর্টিষ্ট অমত্তা লীলা মফমদা ইফোং ফোংনা অমদি ময়াম খঙনা অদুগুম্বা অমত্তা তৌখিদে।

মতম অমা হিন্দি ফিল্মগী ঈশৈ শকপা য়ারিঙৈদুদা ময়াম্না হিন্দি ঈশৈ শকউ হায়না দিমান্দ য়াম তৌরকখি। মদুদা নবনা শকপা ঈশৈসি নুংঙাইখ্রজাৎনি। মকোক অহৌবা খরদি ময়েক ফাবা, অদুগা মখাদি ফাদবা জাৎসিদি মানা হিন্দি মান্নবা পংহায়দা হায়জিল্লগা ঈশৈ অমা মপূং ফানা শকতোকপা ঙম্মী। মসি মাগী তোপ তোপ্পা অমনি। শেমজিন শাজিল্লগা ইংলিস লোনবা, হিন্দি লোনবা, তামিলগী মরোল লোনবসি ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইনা য়াম্না হৈ। অহানবা তাবা মীনদি অশেংবা ওইরবোই নীংগনি। অদুগা কোন্নদি শেমজিন শাজিনবনি হায়বসি খঙলক্কনি। অদুসু মাগী খোম্থোক অমা লৈ, য়াম্না পেন্না হেক্তা নোকপা অমা মদু মানা নোকথোরক্কনি। ফনা য়াম্না মানা ওইদবা মান্নবা ফজনা ঙংলসু ঙাইহাক্কী মতুংদা মীনা খঙনদ্রিঙৈদা মানা হায়রিশিংদু অরানবনি হায়বসি মানা নোকথোল্লগা তাকথোরক্কনি। য়াম্না সেরিয়স ওইনা ঙাঙবা হৈ, অদুগা ফাগি হেক্তা ওইরম্মী। করিগুম্বা মতমদা লীলা লৈতবদা নৎত্রগা লীলা চৎত্রিঙৈদা মাগী ঈশৈসি মীনা হেক হেক অখন্ননা কৌরগা শকই। মদুদা হেক তারিবা মখৈদি মানা পেন্নবা শক্লমগনি। মাগী মীনা পাম্নবা ঈশৈ খুদিংমকশিংসি মথন্নতা জেরো জোরো শকতোক্কদৌরিবনি। মাগী ঈশৈশিংসি ফনা য়াম্না তারসু তানীংদ্রে হায়বা লৈরোই। মরমদি ঈশৈ শকপদা মাগী এক্টিং, মাগী মুদ ময়াম অসিনা অয়েংবশিং, অতাবশিং ফাওবা মানা ইরায় লায়না হোইদুনা পুবা ঙম্বগী ময়াই অমা মঙোন্দা য়াওখিবনি।

চাকথেকপী নবনা, তোঙান তোঙানবা পর্ফোর্মিং আর্টিষ্ট অহল লমনশিং অসি অসুক্কী মতিক  য়াম্না নুংশিজখি। অদুনা চহীগী ওইনা *‘অরি অনৌ লংদাইদা’* হায়বা থৌরম অমা শিন্দুনা অহল লমন মখল খুদিং আর্ট ফোর্মদা লৈরিবশিংবু মানা ঙমজবা মনা সোল, সাইটেসন, মমেন্টোনচিংবা পীদুনা খুরুমজগনি। অমা অনীদগা নত্তে, অমুক অমুক থৌরম শিনবদা য়ামদ্রবদা আর্টিষ্ট ২০দগীনা ৩০ ফাওবদা পীগদৌরিবনি। মসিদা লোইনা শুনবা য়াওরে, ফোক সিঙ্গর, ৱারী লীবা, লাইরিক হায়বা-থিবা, পেনা, শঙ্কীর্তন, খোংজোম পর্ব্ব, গৌড় লীলা, ষঞ্জেনবা, খূবাক ঈশৈ, ফিল্ম, দ্রামা, লীলা অসিনচিংবা আর্টিষ্টশিং অসি মহাক্না লোইনমক কোনশিন্দুনা খুদোল পীজখি। মসি কুম অমগী ৱা নত্তে। মসিমদি মাগী য়াম্না ফজবা ফিদম্নফম ওইবা শিন্থা অমনি হায়না লৌদবা য়াদে। মদুগুম্বা খুদোল পীবগী থৌরম অদু কোরোনাসি হেক লোইবগা অমা শিল্লক্লগে হায়না ঐঙোন্দা মহাক্না লৈরোইদবা থা অমরোমগী মমাঙদা ফোন তৌদুনা হায়রকখিবনি। মসিনা তাক্লিবদি, মহাক্কী অরোইবা মতম লাক্লবা ফাওবদা অদুগুম্বা থৌরম অদু মহাক্না কাউবা লৈখিদে হায়বা অসিনি। অদুবু লাইবক থীবদি, মহাক্না নীংজবা অদু নীংবা থুংখিদনা কোরোনাগী শাথীবা লাইচৎ অদুদা মহাক্কী পুন্সিসু লোইখি।

অতোপ্পা কাউঙমদবা অমনা, লম খুদিং চৎপদা লৈকায় অয়াম্বদা লৈবা অরিবা আর্টিষ্ট খুদিংমকশিং অসি মাগা হেক্তা খঙনরম্মী। খঙনদ্রসু খুদক্তা খঙনশল্লগা তিন্নবা ঙম্মী। মানা হেক হেক তোয়না তোয়না তৌবা অমা নীংশিংলকই। শাথীনা অহল ওইরবা ফৈজোম শেৎপা অহল লমনশিংসি লীলা হৌদ্রিঙৈদা মানা অহলশিংদু লীলাগী ফি শেৎফমদা পুশিল্লক্কনি। অদুগা মানা হায়দুইনি- *‘‘ময়াম ৱারৌবীবা য়াদে, ঐগী লুনা তিন্নজবা মরুপ খরা ঙসি থেংনরে, ময়ামগা শক খঙনহন্নীংদুনা পুশিল্লকপনি, অমুক্তা খঙনবীয়ু’’* হায়রগা অহলশিংদু মানা *‘‘মরুপশিং লেঙশিনবীরকউ, লেঙশিনবীরকউ, ঐখোয় পার্টিগসু খঙনবীয়ু’’* হায়না কৌশিল্লনি। অদুগদি মখ্বাংগা শাথীনা কোল্লবা অহলশিংদু মানা শম্মগা পুশিল্লক্কনি। অদুদা ঐখোয় ময়াম থিক থিক নোক্কনি। অদুগা মানা অহলশিংদু পুথোকখ্রগা *‘‘হা হা হা হা’’* হায়না ফ্র-ফ্র অমুক ওন্দুনা নোক্লগদৌরিবনি। মমল য়ামখ্রবা লমদমসিগী তাঙলবা আর্টিষ্ট অমা ওইরম্বা মহাক ঙসিদি মপুগী খুয়াদা তিনখ্রে। মহাক্কী থৱায়না মতম চূপ্পগী ওইনা মপুগী নাক্তা লেঙদনা লৈজবা ওইরসনু। ●

# নোংমদা কোভিদ পোজিটিভ ৯০,৩৪৭ য়ৌখ্রে টাইৱান্দা

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

ইকুই কুইদ্রি, চহী অনীমুক্কী মমাঙদনি টাইৱানবু মালেমগী লৈবাক কয়ানা কোভিদ-১৯ লাইচৎ থেংনবদা অপীকপা ঈথৎ অমা ওইজরবসু য়াম্না চাউনা মায় পাকপগী খুদম অমা ওইবদা কয়াদা চাওথোকচখিবা টাইৱানগী মীওই খুদিংমক্না। অদুবু লাইবক থীবদি ঙসি থা অনী ফাওবা ফাদ্রি অদুবু নোংমদা কোভিদ-১৯ ওমিক্রোন পোজিটিভ ওইবগী মশীংসি পুং ২৪গী মনুংদা মীওই লিশীং মরিফুতরা চহুম নিফুতরেৎ (৯০,৩৪৭) য়ৌখ্রে চৎলিবা মে থাগী তাং ১৯ ফাওবদা। অদুগা শিবগী চাংসু অসুক্কী মতিক ৱাংখৎখ্রে থা অমা মখায়মুক অসিদা। এপ্রিল থা হৌরকপদা মীওই অমা/অনী শিরম্বা অদুগা পোজিটিভ ওইবগী মশীংসু ২০০/৩০০ অদুৱাইদা লৈরম্বা অদুনা খঙহৌদনা লিশীং তরা/কুনদা হেনগৎলকপনা শিবগী মশীংসু পুং ২৪গী মনুংদা ৫৯ ফাওবা য়ৌখ্রে।

মার্চ থা লোইশিল্লকপা অদুৱাইদা ওইরমগনি ইরমদমগী পাউচে খরদা সাউথ কোরিয়াদা নোংমদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবসি মীওই ৪০০ য়ৌরে হায়না হাপ্লকপদা ঐখোয় পূম্নমক মিপাইনখিবা। মতমদুদা টাইৱান ঈথৎসিদা নোংমদা কোভিদ পোজিটিভ কেস মশীংসি শুপ্নগী ১৫দগী ২০ অদুৱাইদা লৈরম্মী অদুবু মপালদগী পুশিল্লকপদি (ইম্পোর্টেদ কেসেস) ৬০০ ফাওবা য়ৌরম্মী। অদুবু টাইৱান লৈঙাক্লা অমদি মীয়াম্না খল্লুবগী ৱাংমদা এপ্রিল থা হৌরকপদদি পুং ২৪গী মনুংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী মীশিংসি ২৩৬ য়ৌরক্লে। মতমসিদনি আই এন বি এ এসিয়া অমদি আই এন বি এ টাইৱানগী প্রসিদেন্ট অমা ওইনা ফম পুজবা অসিগী মখাদা ২০২২ আই এন বি এ টাইৱান এপ্রিল ১৭তা পাঙথোকপগী শেম শাবা লোইশিল্লকপদা ৱাখলসে য়াম্না ৱাজখিবা করিগুম্বা টাইৱান লৈঙাক্লা অথিংবা থল্লক্লবদিকো হায়দুনা। লাইবক ফবনা হায়বা তারে মতমদুদা নোংমদা কোভিদ লাইচৎ শন্দোকপসি লিশীং ১ ফাওবা য়ৌদবনা অথিংবদি থল্লকখিদ্রে।

২০২২ আই এন বি এ টাইৱান লোইশিনখ্রবা মতুং এপ্রিলগী তাং ২০, ২১ য়ৌরকপদদি মীওই লিশীং অহুম হেনজিনখ্রে পোজিটিভ ওইবসি নোংমদা। মদুদগী সুম সুম ৱাংখৎলকপনা মে থাগী তাং ১৯ য়ৌরকপদদি ঐখোয়না নোংমতসু খল্লুদবা মওংদা টাইৱান হায়রিবা পীকখ্রবা ঈথৎসিদা লাখ অমা য়ৌনীংচৎ (৯৩,৩৪৭) পোজিটিভ ওইখ্রে পুং ২৪গী মনুংদা। মসিনা মরম ওইদুনা কোভিদ-১৯ থেংনবদা য়াম্না চাওথোকচনীংঙাই ওইবা খুদম অমা ওইরম্বা অদো ঙসিদি য়াম্না ইকায়নীংঙাই ওইবা খুদম অমা ওইরে হায়বা তারে। মসিগী মরু ওইবা মরম খরদং থমজগে ময়ামদা।

ইহান হানবদা, টাইৱান লৈঙাক্লা মমাঙদা চহী কয়াদগী য়াম্না মায় পাক্লা কোভিদ-১৯দা নত্তনা অতৈ SARS, BIRD FLU অমদি শা-ঙাশিংদা শন্দোকপা লাইচৎ কয়া ঙাকথোকপদা মায় পাকখিবা অদুদা হৌজিকসু ঙমগনি হায়না খন্দোক্তুনা লৈঙাক্লা য়াম্না কোমথোক্লুবা অসিনি। কোমথোক্লুবা অসিনা মমাঙ চহীগী এপ্রিল থাদা ইংলেন্দদগী পোৎ পুরকপা টাইৱানগী কার্গো প্লেনগী পাইলোট অমদি ক্রু মেম্বরশিংনা ক্বারন্টিন তৌবগী লৈবা হোটেলদুদা অতোপ্পা গেষ্ট ময়াম অমসু পূন্না লৈমিন্নখিবা অদুনি। মদুসু নুমিৎ ১৪ লৈগদবা অদুনা নুমিৎ হুমনিখক লৈরগা ময়ূম ময়ূমদা ওইনা সেল্ফ-ক্বারন্টিন তৌহনখিবনি মরী লৈনবা লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্টমেন্টনা। অসুম্না তৌখিবা অদুনা হোটেলদা লৈমিন্নখিবা গেষ্টশিং অদুদগী অমদি পাইলোট অমদি ক্রু মেম্বরশিং অদুনা ইংলেন্দদগী পুরকপা অনৌবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ শন্দোকপা হৌরকখি। মদুনা মরম ওইদুনা মীওই কোভিদ-১৯না শিবগী মশীংসি শুপ্নগী ১২/১৩ লৈরম্বা অদুদগী ৮০০গী মথক্তা শিখিবনি মমাঙ চহী খক্তদা। ফীভমদুদা চেকশিন খোঙথাং লৌখৎতুনা শিবগী চাংসি য়াম্না হন্থহন্দুনা লাকপনি।

অনীশুবদা, লৈঙাক্লা লাইচৎ অসি লাকশিনবা ঙমগনি হায়বগী য়াম্না থাজবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ ঙাকথোক্নবা থল্লকপা লেভেল কয়াগী অথিংবা চৎন-কাঙলোন খুদিংমক লৌথোক্লুবা অদুনি। অথিংবা লৌথোকপা অদুদগীদি ঈশৈ নোংমাই (ম্যুজিক কন্সর্ট) গী পূনবা, লুহোং-খোঙদোংবগী পূনবা, fun parks, karaoke, movie theater, ওক্তবশিংগা শানৈ য়ুনৈফম (Tea Houses in redline areas) শিং অসিনচিংবা মীয়াম তিনফমশিং অসি পুমহাঙ হাঙদোক্লুবা অদুদগী খঙহৌদনা কোভিদ লাইচৎ অসি শন্দোকপা হৌরকখিবনি ঈশিং ঈচাওগুম। মসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি মদুদি দেমোক্রেসিনি হায়দুনা ফ্রীদমবু লান্না শীজিন্নরবদি অতেক অকায়, অশি অনা কয়া য়াওরক্কনি হায়বদো। পুন্সি য়াওদ্রবদা নীংখা তম্বগী ৱাহন্থোকপু লৈরিব্রা।

অহুমশুবদা, পোলিটিকেল আইদিওলোজি খেন্নৈ, তোঙানবা পার্টিনি হায়দুনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মমাঙদা য়াম্না খঙনা, হৈশিংনা লাইচৎ কয়া ঙাকথোক্তুনা লাকখিবা মালেমদা শীংথানীংঙাই ওইবা খুদম পুরক্লম্বা লৈঙাক অদুগী অখঙ অহৈশিং অমদি মেদিকেলগী লম্সিদা লৈবা অখঙ অহৈশিংনা হায়বদা ঙসি পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা নাপল কামন্দুনা তাবীখিদবা অদুনি। খঙ হৈদুনা তাখিদবা ওইরদি খরসু অদুম চৎনবা য়াবনি। অদুবু অখঙ অহৈদি য়াওদনা নাপলদা য়ূম্ফম ওইদুনা অখঙ অহৈশিংগী ৱা তারুবদা, লৌরুদবা অদুনা ঙসিগী ফীভমসিদা য়ৌরক্লিবনি।

অরোইবদা, পান্থে লৈরক্তুনা মীয়ামদা নখোয়না তৌনীংবা মওংদা তৌরো হায়না শিন্নরকপা অসিনি। অসুম্না লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অশোয়বা কয়া য়াওরকপনা চৎলিবা চহী ২০২২গী এপ্রিল থা মমাঙদা অপূনবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস অসি লিশীং তরাতরুক (১৬,০০০) ওইরম্বা অদুগা অপূনবা শিখিবগী মশীংনা ৮৭৫ অদুৱাইদা ওইরম্বা অদুনা ঙসিদি তেল্লবা চয়োল তরুক/তরেৎমুকসিগী মনুংদা মীওই ১৬,০০০ পোজিটিভ কেস ওইরম্বদুদগী মে থাগী তাং ২৪ ফাওবদা মীওই ১,৪৬৯,০১৯ ওইখ্রে। অদোম্না ৱারেংসি পাবীবা মতমদদি টাইৱান্দা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস ওইবগী মশীংসি one and half million গী মথক ওইরগনি। অদুগা শিবগী মশীংসু ৮৭৫ মুক ওইরম্বা অদুদগী অপূনবা শিখিবগী মশীংসি ১,৪৭৮ য়ৌখ্রে মে থাগী তাং ২৪ ফাওবগী মনুংদা। মে থাগী তাং ২৬ ফাওবগী মনুংদদি মীওই ১,৫০০দগী হেল্লগনি।

লোইশিল্লকপদা, মসিনি করিগুম্বা খোঙথাং অমা শোয়খিবদা, নাপল কারুবদা ওইহন্নীংদবা, থোকহন্নীংদবা কয়া থোরকপা য়াবগী খুদম। ঙসি টাইৱান্দা তেল্লবা মতমসিদা লাক্লিবা পামদবা অহোংবা কয়া অসি করিগুম্বা ঙসি পাল্লিবা টাইৱান লৈঙাক্লা নাপল য়াওদনা অখঙ অহৈশিংগী ৱা তাদুনা খোঙথাং খুদিং মমাঙঙৈগুম চেকশিন্না থাংলম্লবা থোক্লবদি ঙসি তেংথানীংঙাই ওইরিবা ফীভম অসি লাক্লম্লোইদবনি। তশেংবগীদি টাইৱানগী মীয়ামদি য়াম্না ৱাখল তানা লায়না তীলনা কয়াদগী ঙাকথোকচনবা লৈঙাক্লা পীবা অমদি ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা পীবা কোভিদ-১৯ ঙাকথোক্লবা চৎন-কাঙলোন পূম্নমক ইন্দুনা হোৎনজবনি। অদুবু লৈঙাক্লা থাংগদবা খোঙথাং থাংদ্রবদা, তৌগদবা মথৌ তৌদ্রবদা অমদি মপালদগী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেসশিং পুশিল্লকপা লেপত্রবদা মীচম মীয়াম্না ফনা হোৎনজরবসু কৈদৌনুংদা লাইচৎ অসিবু ঙাকথোকপা ওইথোক্তবনা ঙসিগী ফীভম অসি য়ৌরক্লিবনি। থৌওং অসিদগী ইরমদমগী লুচিংবশিংনসু পাড়া খরা তমহৌবা ওইরসনু। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।